# ক্লেসন পেপর লিগ ওইহনবদা চেন্নবা অমা জেলদা থাজিনখ্রে, অমনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোহসেম) না শীন্দুনা চহী অসিগী পাঙথোরকখিবা ক্লাস এলবেন ইগজামগী ক্লেসন পেপর লিগ ওইখিবগী ৱাথোক্তা চেন্নবনি হায়বা কাঞ্চিপুরদা লৈবা ধনেশ্বোরি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মেনেজিং ষ্টাফ মোইরাংথেম সুন্দরচন্দ্র ঙসি চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা মার্চ ১৪ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা কাঞ্চিপুরদা লৈবা ন্যু ভিজন হোষ্টেলগী প্রোপাইটর নামৈরাকপম রঞ্জিৎনা সুরিটি অমগা লোয়ননা পি আর বোন লুপা লিশিং ৫০ থিহন্দুনা বেলদা থাদোকখ্রে।

ক্লেসন লিগ ওইখিবগী থৌদোক অদুদা চেননবনি হায়বা কিয়ামগৈ মমাং লৈকাইদগী চাওবগী মচানুপা মোইরাংথেম সুন্দরচান্দ্র (৩৩) অমদি তেন্থা খুঞ্জাও হৌজিক্লা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী গেটতা লৈবা য়াইমাগী মচানুপা নামৈরকাপম রঞ্জিৎ (৪৩) থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মথংশিংনা ফেব্রুৱারি ২২ অমদি ২৫ দা পুলিসনা ফাগৎখিবনি। পুলিস কষ্টদি রিমান্দ মতম লোইখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীমক ঙসি পুলিসনা কোর্ট অসিদা পীথোক্লদবনি অমদি মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদমক জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীনবা প্রেয়র তৌখি। নাকল অমরোমদা দিফেন্স কাউন্সিলগী মায়কৈদগী রিমান্দ ওবজেক্সন অমদি বেল এপ্লিকেসন থারকখিবনি।

কেস অদুগী আই ও না এ পি পি গী খুখাংদা থল্লকখিবা সম্মিসন অদুনা পল্লিবদি, চহী অসিগী ক্লাস এলবেনগী ইগজামগী সবজেক্ট ৫ গী ক্লেসন পেপর ৱাটঅপতা থাদোরকখি হায়বা ৱাফমদা কোহসেমগী সেক্রেটরীনা পুলিসতা কমপ্লেইন্ট অমা থারকপদগী কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা থিগৎপদা হায়রিবা ক্লেসন পেপরশিং অদু অকল্লবা স্কুল খরদগী সিল থুগাইদুনা লিগ ওইখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। লোয়ননা স্কুলশিংদা লৈরিবা ক্লাস এলবেনগী ক্লেসন পেপরশিং অদু কোহসেমদা পীখৎলক্লবা ওর্দর তৌখিবনি। মদুদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা দিনেশ্বোরি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মেনেজিং ষ্টাফ মোইরাংথেম সুন্দরচন্দ্রনা পায়খৎলকখিবা ক্লেসন পেপর য়াওবা খাও অদু সিল কাইরম্বা থেংনখি। মহাক্কী মথক্তা ৱাহং পাউহং তৌবদা সিল থুগাইরবা মতুং ক্লেসন পেপরশিং অদু স্কেন তৌদুনা হুরানখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

আই ও গী সম্মিসন অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, একুইজ মোইরাংথেম সুন্দরচন্দ্রগী মথক্তা ৱাহং পাউহং চত্থবদা মহাক্না সবজেক্ট ৫ গী ক্লেসন পেপরশিং অদু লৌথোক্লবা মতুং স্কেন তৌদুনা ব্লুটুথকী খুথাংদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা ন্যু ভিজন হোষ্টেলগী প্রোপাইটর ওইবা নামৈরাকপম রঞ্জিৎকী লোয়নবী নামৈরাকপম সুমিলাদা থাখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। নুপী পুলিসকী টিম অমনা নামৈরকাপ সুমিলাগী য়ূমদা চঙশিন্দুনা ক্লেসন পেপর লিগ ওইহনখি হায়বা ৱাফম অদুগী ইভিদেন্সশিং থিগৎখি। মদুদা মোবাইল ফোন অমা পুলিসনা সিজ তৌবা ঙমখি। অমদি মথংগী নুমিত্তা পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহল্লমখি। অদুম ওইনমক মহাক লাকখিদবনি।

মখা তানা, ক্লেসন লিগ ওইবগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ক্লাস এলবেনগী ইগজাম থারিবা মহৈরোই অমনা ফেব্রুৱারি ১৫ দা নামৈরাকপম সুমিলানা ৱাসঅপকী খুথাংদা ইংলিসগী ক্লেসন পেপর থারকখি। অমদি ফেব্রুৱারি ১৮ দা লৈমহৌবা সবজেক্ট ৪ গী ক্লেসনশিং থারকখিবনি। অমদি ক্লেসনশিং অদু মোইরাংথেম সুন্দরচন্দ্রানা থারকপনি। মখা তানা মী অতৈদা খঙহনগনু হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লবনি। লোয়ননা ফেব্রুৱারি ২২ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা নামৈরাকপম সুমিলানা মহাক্কী মচে অমদি মীওই খরগা লোয়ননা ক্লাস ১১ থারিবা মহৈরোই অদুগী ময়ুমদা লাক্তুনা করিগুম্বা পুলিসনা ৱাহং পাউহং তৌরক্লবদি ক্লেসনশিং অদু মশা খঙদনা তুমীন্না লৌথোকপনি হায়না খুম্নবা খঙহল্লমখিবনি। ৱাফমশিং অদু খঙলকপদগী নামৈরাকপম সুমিলা ফাগৎপা লাকপদা ফাবা ফঙদবদগী মপুরোইবা নামৈরাকপম রঞ্জিৎ ফাখিবনি।

কোর্ট অসিনা কেস রেকোর্দ, এ পি পি অমদি দিফেন্সে কাউন্সিলগী সম্মিসনশিং কুপ্না য়েংশিলবা মতুংদা পুলিসকী প্রেয়র অদু পীনবা মতিক চাবা মরাম লৈবদগী একুইজ মোইরাংথেম সুন্দরচন্দ্র মার্চ ১৪ ফাওবা নুমিৎ ১৫ জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি। কো একুইজ ওইরিবা নামৈরাকপম রঞ্জিৎনা সুরিটি অমগা লোয়না পি আর বোনদা লুপা লিশিং ৫০ থিহন্দুনা বেলদা পীখিবনি।

নাকল অমরোমদা, নামৈরাকপম সুমিলানা সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা এনিটসিপেতোরি বেল পীবিনবা থারকখিবা এপ্লিকেসন অদুগা মরী লৈননা কোর্টনা ইন্টরিম বেল ইসু তৌখ্রে।

# খৎনা চৈনবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনিদা নোংমৈ কাপথোক্তুনা মীয়াম কিহনবদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি২৯(এন এস এন)ঃ খাৎনা চৈনবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনিদা নোংমৈ কাপ্তুনা মীয়ামবু কিহন খঙহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম পুলিসনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়, নোংমৈ পায়রগা মীয়ামদা কিহন খঙহনবগী থবক চত্থবা মীওই খরা লৈরে হায়বগী পাউ অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা ফংখি। পাউ অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কম্মান্দো অমদি ১৫শুবা আসাম রাইফলগী অপুনবা টিমনা হায়রিবা মফমদুদা থিবা হুম্বা চত্থবদা চিংনবা মীওই অমা ৱাহং পাউহং চত্থবগা লোয়ননা মহাক্কী মশাদা চেক তৌবদা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অহুম য়াওবা পিষ্টোল অমা য়াওরম্বা থেংনবদি মহাকপু ফাখি। ফারবা মীওই অদুগী মমিং সেনজম রামেসকান্তা সিংহ এলাইজ ননাও এলাইজ উথুম (১৯) অপোকপা রতন কৌই, মোইরাং কম্পু অৱাং লৈকাইদগীনি।

মহাকপু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থবদা মহাক্না তোপ অৱাং লৈকাইদগী হৌজিক্লা মোইরাংকম্পুদা লৈবা আর কে পৃথিবি কৌবগা মীওই অমগা অমদি দিমাপুরদগী হৌজিক্লা কোইরেঙৈদা লৈবা রাজ কৌবা মীওই অসিগা পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্টকী ফকনুং অমদি টিনসিদ লম্বীদা থোকখিবা খৎন্না চৈন্নবদা খৎন্না চৈন্নরিবা মীওইশিং অদুবু কিহন্নবা নোংমৈ মরু খরা কাপথোকখি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদগী নোংমৈ অদু পৃথিবি হায়রিবা মীওই অসিনা মঙোন্দা পিরকপনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। ফারবা মীওই অসি মঙোন দগী ফংলবা নোংমৈ অদুগা কোন্ননা লন্নাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নবা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৭কী নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা হৈরোক পার্ট টু দেবী মান দপ লৈকাইদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা নোংমৈ কাপথোক্তুনা মীয়াম কিহন খঙহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি হৈরোক পুলিস ষ্টেসননা ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউদা, ফারবা মীওই অনি অদুদি হৈরোক পার্ট থ্রি নিংথৌজম লৈরক্তগী লাইশ্রম হেরোজিৎ সিংহ (২৩) অপোকপা অঙৌসনা অমদি হৈরোক পার্ট টু লাইশ্রম লৈকাইদগী লাইশ্রম অরুনকুমার এলাইজ নাওবা (২৫)অপোকপা মহিন্দ্রানি হায়রি।

মখোয় অনি অসি থা অসিগী ২৭কী নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা হৈরোক পার্ট টু দেবি মানদাপ লৈকাইদা লৈবা পান কান অমদা মীওই অনিনা ক্লা চারিঙৈদা মমাই মমিৎ খুম্বা নোংমৈ পায়বা মশক খঙদবা মীওই ৭-৮ রোম লাক্লগা ফুরন্দা নত্তনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্বদা হকথেংনা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ক্লা চাবা লাকচবা মীওই অনিবু উতুপ ৱাতুপ পায়দুনা লাকপা মশক খঙদবা মীওইশিংনা ফুবদা নত্তনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎনবা হোৎরম্বা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ম্না ঙসি হৈরোক পার্ট টুগী ওতো পার্কিংদা ৱাকৎ মীফম চত্থদুনা থৌদোক্তুদা চেন্নবশিং ফাদুনা চৈরাক পিয়ু হায়বা দিমান্দ তৌখ্রে হায়রি।

# 'ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইবা অপুনবা পুৱারী শেমদুনা সেলেবসতা হাপ্লগা থল্লবদি চীং তম খেন্নবা লৈরোই'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মাগী মাগী ফুরুপকী পুৱারী শেমদুনা লৈনরি। মসিগী মহুত্তা ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইবা অপুনবা পুৱারী শেম্মীন্নদুনা সেলেবসতা হাপ্তুনা তম্লহল্লবদি চহী খরগী মনুংদা চীং তম খেন্নবা অমত্তা লৈরোই হায়না সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো (বোই) না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা ঙারুমফুং ভিলেজনা খুন দারকপগী পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা রামসোম ফনিতকী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা মহাক্না হায়, লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈত্রবা মতমদা মাংজিল থানা চাওখৎপা ঙমগনি।

লমদম অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদমনি। লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা ঐখোয় পুম্নগী শক্তম চপ মান্নে। অদুবু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি তৌদুনা খেন্নবা মীৎয়েং থমদুনা, ঐখোয় মশেলগী অমত্তা ওইবা অসিবু মুখৎনবা হোৎনদুনা লাকখিবশিং অদুনা তেখায় তেখায় তাল্লম্লনি।

অদুবু ঙসিদি লমদম অসিদা খুন দামীন্নরিবা ঐখোয় মশেল অমত্তনি হায়না পোঙনা অমদি ফোংনা লাওবা ঙম্লে। কম্ম্যুনিটি অমগা অমগগী মরক্তা হু কামশিন্দুনা খৎনবা শিনখিবশিং অদু ঙসিদি মায়থিবা পীবা ঙম্লব্রা হায়না খল্লি। বৃটিশকী মতমদগী হৌনা খোয় মশেলগী মরক্তা অমাং অশেং খাইদোকহন্দুনা অমনা অমবু য়েংথিনবা অমদি ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা মরীবু লাপথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা মপালদগী লাকপা লাইনিং লম্বী অমনা চীং তম অনিবু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনখিবনি। অদুবু ঙসিদি পুম্নমক ৱাখল তান্নরক্তুনা হান্নগী নুংসি মরী শেমগৎপা ঙম্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা খুন্দামীনরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরপশিংগী মাগী মাগী ওইবা পুৱারী শেম্নরি। লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা কম্ম্যুনিটি খুদিংমক্কী অমদি অমগা অমগগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরীশিং অসিগী মতাংদা অপুনবগী ওইবা পুৱারী শেমসি। লোয়ননা একাদেমিক সেলেবসতা হাপ্তুনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু খঙহনবা তঙাই ফদে। মসিনা অমগা অমগগী মরক্তা খেন্ননা উরম্বা অদুদগী কোকহনবা ঙমগনি অমদি পোলিটিকেলগী খেন্নবা মাংখ্রগনি। তুংগী মুঙ্গী ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংনসু লাইরিক নিংথিনা থমদুনা ইরদমম অসিগী অফবা ওফিসার কয়া ওইরক্লবা হোৎমীন্নসি হায়খি।

বি জে পি না লুচিংবা চুমশিন্নবা লৈঙাক অসি লাকপদগীসু চীং তম থোংমান্ননা চাওখৎমীন্নগদবনি হায়বা পান দমদা লেপ্তুনা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েংখাদা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। হিলস লিদর দে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ থমদুনা মীয়ামগী অপাম্বা ৱাখল্লোন পাউতাক তারগা ঙসিদি লমদম অসি ইং তপ্পা মায়ওনদা পুরকপা হৌরে। চীংদা লৈরিবা লাইরবা ইচিল নিাওশিংনসু হিলস লিদর দে নুমিত্তা লাকপিদুনা পাউদমবিয়ু। মীয়ামগী অপাম্বা লৈঙাক্না শোয়দনা তৌরক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট সোমি অবুংসিনা অখন্নবা মীথুং ওইখি। লোয়ননা ঙারুমফুং ভিলেদগী হেদ সাংগ্রৈ জোজোনা থৌরম মপু হৈখি।

# ওঝাশিংগী খুখাং চারা হেনবগী খোঙজং হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
কাউন্সিল ওফ টিচরস এসোসিয়েসন (কোটা) না রিভিজন ওফ পে ২০১৯ শেমদোক্তুনা প্রাইমারি স্কুলদগীনা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলশিংদা লৈরিবা ওজাশিংগী মতিক চাবা থাগী খূৎশুমল পীবিনবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতিক চাবা থাজবা য়াবা পাউখুম ফঙদবদগী কোটানা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাওথোকখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী লমজিং মখাদা ওঝাশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জেৎ ই ও জোন ১ গী ওফিস মমাঙদা খুখাং চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা কোটাগী কনভেনর এস গুনমনিনা হায়, কাউন্সিল ওফ টিচরস এসোসিয়েসন (কোটা) গী লমজিং মখাদা মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈবা এদুকেসন (এস) কী ওঝাশিংনা ৭ শুবা পে রেক্তিফিকেসন তৌবিনবা তকশিল্লিঙৈ চৈরক্তা লৈঙাক অসিনা ওজাশিংগী হান্না চৎনরম্বা ৬ শুবা পে স্কেল অদুদগী হন্থরক্তুনা ৫ শুবা পে স্কেলগী চাংদা পীরকখিবনি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ৱাকৎ মীফম কয়া চত্থরবা ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং অমত্তা চঙবিদবা অমসুং য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওহ্লোক্তনা লাকপা মরম্না লেপ্তুনা খুখাং চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা, থা অসিগী তাং ২ দগী মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈবা জেৎ ই ও, ওফিসশিংদা লেপ্তুনা নুমিৎ ১৭ নি ৱাকৎ মীফম চত্থদুনা আর ও পি ২০১৯ গী অরাম্বা পে ষ্ট্রেকচর শেমদোকপিয়ু। এ জে পিগী মহুৎতা গ্রেদ পেদা ওহ্লোকপিরো হায়দুনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক ওঝাশিংনা তালিবা দিমান্দ অদুদা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না মীৎয়েং অমত্তা চঙবিবা লৈত্রি। ৭ শুবা পে আর ও পি ২০১৯ দা শোইরিবা অসি প্রাইমারি ওঝাগা টাইপ রাইটর মেকানিক্কা মান্নে, গ্রেজুয়েট ওঝাশিংগা ড্রিল্লর, রিফ্রিজেটর মেকানিক অদুগা লেকচরশিংগী সেক্সন ওফিসারগা মানহল্লি।

অমরোমদা প্রাইমারি ওঝাদগী হায়র সেকেন্দরিগী ওঝাশিং ফাওবনা ৭ শুবা পে কম্মিসন্না লেপ্পা আর ও পি ২০১৯ পীদ্রগা য়ু জি সি গী মখাদা লৈরিবা কোলেজ লেকচরশিংনা পীবা অসি লাইবক থিবনি। মরম অসিনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী খুয়াংথোংদা লৈবা জেৎ ই ও জোন ১ গী ওফিস মমাঙদা খুখাং চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। লোয়ননা মখা তানা মার্চ ২ তগী ৭ ফাওবা মথংশিংনা পোরোম্পাৎ জেৎ ই ও, থৌবাল জেৎ ই ও, ৱাঙ্গোই জেৎ ই ও, ককচিং জেৎ ই ও, উখ্রুল, লিলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর জেৎ ই ও দা খোঙজং চঙশিনগনি।

লোয়ননা কোটাগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা ওঝা নৎত্রগা এসোসিয়েসন অমনা লন্নাই ওইবা মওংদা য়াশিন্নবা হোৎনরম্লবদি অদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাক মশা মশানা পুগদবনি। লৈঙাক্না তুমীন্না লৈশিন্নবা হোৎনরবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## করাং ইথৎদা অহানবা ওইনা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
করাং ইথৎকী খুমন পোকপা কম্ম্যুনিটি হোলদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ বোর্দকাষ্টিং ফিল্ড আউটরিষ্ট ব্যুরো (এফ ও বি) ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্ম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিষ্ট প্রোগ্রামকী নুংগী ওইবা থৌরম এক ভারত শ্রেস্থা ভারতকী প্রোগ্রাম থাঙ্গ এ সি গী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো সিংহনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি ভারতকী ওইনা ইথৎতা হৌদোকপা অহানবনি।

থৌরম অদুদা পি দি এ গী চিয়ারমেন টি রোবিন্দ্রো, থঙ্গা পাট ১ গী জি পি ওইনাম রোমেন সিংহ, বি জে পি থাঙ্গ মন্দলগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সোভা সিংহ, এফ ও বি গী হেদ ওফ ওফিস ঐচ দিপককুমার শর্ম্মনা অথোইবা মথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ভারতকী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা পামজরম্বা মঙলান য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি হায়বসি ভারত্তা লৈরিবা মান্নদবা ফুরুপ মচা মচাশিং অমত্তা ওইনা পুশিন্দুনা অমত্তা ওইনা লৈরকপা মতম অদুদা ওইগদৌরিবনি। হৌজিক মণিপুর খক্তদা মান্নদবা ফুরুপ মচা ৩৫ দগী ৩৬ মুক লৈরি। মসিগী মথক্তা ভারতকী ওইনদি য়াম্না লৈখ্রে। লোন তোঙানবা, লাইনিং তোঙানবা, কলচর তোঙানবা কয়া অসি তোঙান তোঙান্না তানখিবা তারবদি ভারত অসি কাইখিবা তাবনি। মসিদগী কন্নবা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জৱাহরলাল নেহরুগী ৱাখল্লোন য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি হায়বা অদুগী মতুং ইন্না ভারতকী ষ্টেটশিং অসি পিয়ার পিয়ার শেমদুনা অমগা অমগা পুনশিন্নবা পান্দমদা হৌখিবা চহী ২০১৫ গী ওক্তোবর ৩১ সদার ভালাবাই পাটেলগী ১৪০ শুবা মপোক নুমিৎতগী এক ভারত শ্রেস্থা ভারত হায়দুনা হৌদোকখিবনি হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ভারত সরকারনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা উৎপা মখল ৪০ রোমগী ফেটোশিং থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম এল এ রোবিন্দো সিংহনা য়েহ্লোকখি। লোয়ননা ঐচ বিলাকান্ত সিংহনা থৌরম অসিগী মতাংদা ৱাঙাংলোই ওইনা ৱাফম কয়ামরুম থমখি। লোয়ননা মৈধ্য প্রদেশ, মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়াসু উৎখি।

# 'মণিপুর ওফিসিলে লেঙ্গুইজ এক্ট অথুবদা এমেন্দ তৌগদবনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
মণিপুরগী ওফিসিয়েল লেঙ্গুইজ এক্ট ১৯৭৯ অসি মতমগা চুন্নদবা মরম্না এক্ট অসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদুনা এমেন্দ তৌগদবনি হায়না মহৈরোইলূপ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ক্লাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী টেম্পররি হেদ ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহৈরোইলূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা না হায়খি, মণিপুর ওফিসিয়েল লেঙ্গুইজ এক্ট ১৯৭৯ অসিগী সেক্সন ২ (এফ) তা 'মণিপুরী লেঙ্গুইজ মিনস মৈতৈলোন রিট্টন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ এন্দ স্পোকন বাই দ মেজোরিটি ওফ মণিপুর পোপুলেসন' হায়না ইরি। কুমজা ১৯৭৯ দা পাস তৌখিবা এক্ট অসি চহী ৪০ হেল্লবা মতম অসিগা চান্নদ্রে। লোয়ননা হিরম অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা এক্ট অসি এমেন্দ তৌনবা থবক পায়খৎপসু লৈত্রি।

মহাক্না হায়খি, লৈঙাক অসিনা মৈতে ময়েকপু মীরাইদুনা থন্না হায়বসি লমদম অসিগী আইদেন্টিটিদা অচৌবা শিংনবা অমনি। ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০০৬ তগী স্কুলশিংদা মৈতে ময়েক সি মহৈরোইশিংদা তম্বীবা হৌখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫ দা ময়েক অসিদা ঐচ এস এল সি ইগজাম পাঙথোকখিবনি। হৌজিক হৌজিকসু গ্রেজুয়েসন ৬ শুবা সেমিষ্টর কাবা হৌরবনি। লুরিবদি এম পি এস সি অমসুং য়ু পি এস সি না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস ইগজামদা এক্ট অসি এমেন্দ তৌদবনা ওপস্নেল পেপর এম আই এল দা মৈতে ময়েক লৌবা মহৈরোইশিংনা এম আই এল লৌদুনা ইগজাম থাবা য়াদবগী ফিভমদা লৈরি। হৌজিক য়ু পি এস সি ইগজামগী প্রোসেস তৌবা হৌরে। অদুবু মৈতে ময়েক্তা গ্রেজুয়েসন লোইগদবা মহৈরোইশিংনা ওপস্নেলদা এম আই এল লৌবগী রাইট লৈঙাক্না মৎপিগদৌরে।

লোয়ননা মহৈরোইশিংনা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল ওইবা চে থাবা মতমদা মৈতে ময়েক্লা ইদুনা থাবা য়াদ্রে। মসিসু লৈঙাক অসিনা য়াহনগদবনি। অথুবা মতমদা কেবিনেট মীফম ফমদুনা মণিপুরী ওফিসিয়েল লেঙ্গুইক এক্ট অসি এমেন্দ তৌদুনা রিট্টন ইন বেঙ্গালি হায়বসি রিট্টন ইন মৈতে ময়েক হায়না ওহ্লোকপিয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক্না লৈঙাক্না থওইদদুনা এম পি এস সি অমদি য়ু পি এস সি নচিংবা কম্পিটেটিব ইগজামদা ওপস্নেল এম আই এল দা মৈতে ময়েক্লা থাহনদবা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক লৈঙাক্না পুগদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কম্ম্যুনিটি কোন্টেক্ট অমদি এক্সটেনসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
ট্রেন্নর য়ুনিয়ন দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদুকেসন ইম্ফালনা ঙসিদগী নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থগদবা কম্ম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেনসন প্রোগ্রাম লম্লোং কৈথেলদা লৈবা লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদুকেসনগী প্রিন্সিপাল ডা. ঐচ ইবোমচা শর্ম্মা, লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল সোবিতা দেবী অমদি প্রোগ্রাম ইন চার্জ ডা. টি সুরেন্দ্রা সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রোগ্রাম ইন চার্জ ডা. টি সুরেন্দ্রনা হায়, দাক্তরশিংনা ট্রেনিং লৌরবা মতুংদা হোস্পিটালদা ইর্ন্টন তৌদুনা মখোয়গী হে শিংবা হেনগৎনবা হোৎবা অদুগুম্না লমদম অমগী হৌগৎলক্লিবা অঙাং শিংবু শেম্লক্কদৌরিবা ওঝাশিং অদুসু ট্রেনিং পীবগী তঙাই ফদবা লৈ। মরম অসিমক্লা মরু ওইনা বে এদ তৌরিবা ওঝাশিংনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু হেনগৎনবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন অসিগী এন্যুয়েল কম্ম্যুনিটি কন্টেক্ট এন্দ এক্সটেনসন প্রোগ্রাম পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসিনা তুংদা ওঝা ওইরক্কদৌবা ট্রেন্নিশিংনা ওঝা ওইরক্লবা মতমদা মহৈরোইশিংদা করম্বা মওংদা মহৈ মশিন তাকপিদুনা অফবা মহৈরোই শেমগৎপা য়াগনি হায়বগী মেথদশিং খঙবা ঙম্লগনি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা সোসিয়েল সার্ভেস অমদি স্কুলগী অৱাৎ অপাদা অঙন্বা মতেং পাঙদুনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অদুগী মহৈরোইশিং অমদি লৈকাই মীয়ামগা ট্রেন্নি ওঝাশিংগা ইন্টরেক্সন পাঙথোক্কনি হায়রি।

# 'লেন্দ লো শেম্বদা মীয়াম্না য়াবা মওংদা শেম্বীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
মণিপুরদা লৈরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙানবা লেন্দ লো শেম্বদা লৈঙাক্না চীংগী মীয়াম্না য়াবা অমদি অমগা অমগা য়েংথিনরোইদবা মওংদা শেম্বা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্ষ্টিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডা. লোরহো ফোজৈনা ফোঙদোকখ্রে।

দেদি শৈজা লৈখিদবগী ইমুং মনুংগী অৱাবা হংবা লাকখিবা ডা. লোরহো ফোজৈগা পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্কী এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবা চীংগী তোঙানবা লেন্দ লো শেম্বগী মতাংদা মহাক্কী মত করি লৈবগে হায়না হংবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি, মণিপুরদা মতম কুইনগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লিবা এম এল আর এক্ট অসিনা চীংগী মীয়ামগী অনিংবা অমদি অপাম্বা থুংহনবদি ঙমদ্রি। অদুবু তোঙান তোঙানবা লেন্দ লো অমা শেম্বদা চীংগী মীয়ামগী অপাম্বা অমদি অমগা অমগা এলাইনেটিদ ওইদবা মওংগী লো অমা শেম্বা মথৌ তাই। লো অসি শেম্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্সু চেকশিন্না হোৎনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিটি কয়ানা পুল্লগা খুন দারিবা ষ্টেট অমা ওইবনা ফুরুপশিংগী মশা মশাগী তোঙানবা অপাম্বা লৈ হায়না এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়, কম্ম্যুনিটিশিংগী মশা মশাগী অপাম্বা লৈরবসু অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা পূন্না হোৎমীন্নবা চঙই। মসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ। ইমপ্লোয়িশিংনা চীংদা চৎতুনা থবক তৌনিংবগী অপাম্বা লৈবা তাই। চীংগী মীশিংনা তমদা চৎতুনা অমগা অমগা মতেং পাংনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। মসিনা ষ্টেট অসি তংদ লৈতাবা পুরকবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লৈখিদ্রবা দেনি শৈজা অসি বি জে পি গী ওপোজিসন এম এল এ অমা ওইনা মতোমদা এসেমব্লিদা কারকখিবা লুচিংবা অমনি। মহাক্না বি জে পি গী এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদা পার্টি অমা থাদোক্লগা পার্টি অমদা চোংশিনবগী ৱাখল্লোন মঙোন্দা লৈখিদে। পার্টি অমগী আইদোলোজি ঙাক্লা চৎখিবা লুচিংবা অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
জুবেনাই জষ্টিস এক্ট ২০১৫ অমসুং পোক্সো এক্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ব্লোক লেভেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা মণিপুর কম্মিসন ওফ চাইল্দ রাইটস (এম সি পি আর সি) না শীন্দুনা য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কাউন্সিল্লর সামোম রিতা দেবী, মণিপুর ভলুন্তরি হেল্ঠ এসোসিয়েসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম শরত সিংহ অমসুং মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইটসকী চিয়ারপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সিমপ্লেক্সকী মেনেজর ফাবা জেৎ য়ু এফ লালহৌবা ফারে

কোলকত্তা, ফেব্রুৱারি ২৯ ঃ
নুপী অনী য়াওনা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেৎ য়ু এফ) গী লালহৌবা ৪ নোংচুপ বেঙ্গলগী হাওরাগা থংনবা গোলবারি এরিয়াদগী ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মশিং য়াম্লবা শাশিন্নবা ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিংগা লোয়ননা মীওই অমা ফারবা মতুংদা হাওরাদা লৈবা মখোয়গী লোৎফমদগী মখোয় মরীমক ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না কোলকাটা পুলিসকী স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্সকী সেনিয়ার ওফিসার অমনা ফোঙদোক্লি।

জেৎ য়ু এফ অসি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী তাইনবা লমদমদা ওপরেট তৌবা মণিপুরদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অমনি। মখোয়দগী লুপা ৩৪,৫৪,২৭০ ফাগৎপগা লোয়ননা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৯ দা নোনে দিষ্ট্রিক্টতা সিমপ্লেক্সকী প্রোজেক্ট মেনেজর অভিজিৎ ধর ফাবগী থাদোকমন ওইনা পৈশাশিংদু ফংবনি হায়বসিসু মখোয়না হায়দোক্লকপদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

মখোয় মরিগী মনুংদা অনী অমনা অসামদগী অদুগা অনী অমনা মণিপুরদগীনি। কোলকটা পুলিসকী স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্সনা অসামদগী মীওই অমা লুপা ১,৫০,০০০ গী অশাবা করেন্সি নোটশিংগা হাওরাগী ধর্ম্মতালা বস টর্মিনেল এরিয়াদগী ফাখি। মঙোন্দা ৱাহং পাউহং চত্থরবা মতুংদা গোলাবরি পুলিস ষ্টেসনগী এরিয়াদগী অতৈ লালহৌবশিং অদু ফাগৎখিবনি।

ফারবা লালহৌবশিং অদু ঙসি সিটি কোর্ট অমদা পুথোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# চীফ মিনিষ্টরনা...

*লমায় ১গী মখা...* লায়কন্নবা ঙমদা লৈখিদবনি। পনবা য়াবদি দেনি শৈজা মণিপুরগী টার্ম অনীরক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা য়ংমাসো শৈজাগী মচানুপানি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ইং ২০০০ দা বি জে পি গী মীরেপ ওইনা মায় পাক্তুনা টার্ম অহুম্লক থংনা থংননা এম এল এ ওইরম্মী। দেনি শৈজা মশাগী চহী ৬৫ শুখ্রে। মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপা ৩ অমদি মচানুপী ২ লৈহৌরি।

# সাউথ কোরিয়াদা পূং ২৪ গী মনুংদা নোভেল ...

*লমায় ১গী মখা...* শিন্নীশিংদা সবসিদি পীদুনা স্কুল থিংজিনখিবদগী ময়ূমদা লৈরিবা অঙাংশিং য়েংশিন্ননবা ফন্দ থন্বা য়াননবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। কোরোনাভাইরস শংদারকপা থিংননবা লৈবাক অদুগী স্কুলশিং থোঙ লোনহনখবনি। লোয়ননা লৈবাক অদুগী লায়না অসিনা নাহল্লবা মীশীং ২০০ অমদি হাৎখিবগী মশীংনা ৫ য়ৌখ্রবনি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা মার্চ ৯ দগী ২০ ফালবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা ষ্টেটস ওফ ৱুমেন ইন ন্যু য়োর্ক হায়বা হীরমগী মতাংদা পাঙথোক্লবা শেম-শারিবা মিটিং অসিদা মিনিষ্টর অমদি দিপ্লোমেটস কয়া অমা শরুক য়ারোইদবগী ফীভম লৈরে অমদি মিটিং অদুগী মতমসু তেনশিন্না পাঙথোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রে।

চৈরক অসিদা, চাইনা অমদি তাইৱান অনীগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবা ঈথৎশিংদা চাইনানা সাইবর ৱারিয়র শীজিন্নদুনা লান হৌনবা হোৎনদুনা লৈরে। লায়না অসি থেংননবা ৱার্ল্দ হেল্ঠ ওর্গনাইজেসননা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অদুদগী নাথৈনবা হোৎনরে হায়বনচিংবা মরাল কয়া তাইৱানগী ফোরেন মিনিষ্টর জোসেফ ৱুনা চাইনাগী মথক্তা মরাল শীরক্লি।

# উ পাম্বী শিহল্লম্বগী...

*লমায় ১গী মখা...* ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী হায়ৱে দিভিজনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদসু অসিগুম্বা অসি করিগী য়েংশিন্দবনো হায়না চীফ মিনিষ্টরনা অশাওবা উৎখি।

মসিদসু নত্তনা খোঙনাং অনী কারক্তগী কোইরেঙৈ ফাওবগী লম্বী শেম্বদগী থবক অসি কাহেন্না মতম চংবদসু চীফ মিনিষ্টরনা অশাওবা ফোঙদোকখি। থবক অসি লোয়শিনবদা থিহুদুনা লৈবনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া পীরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা থবক অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা য়াথং তাউথখি।

# লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবদা চাওনা মতেং পাংগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৯ (এসএন এস)ঃ
ষ্টেট অসিদা দবল ক্রোপ্পিংগী খুদোংচাবা লৈতবনা লৌমীশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌরবদি লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎপদা চাওনা মতেং পাংগনি হায়না সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনির্ভসিটি (সি এ য়ু) গী ভাইস চান্সেল্লর এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনির্ভসিটিগী কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী ওদিটোরিয়মদা নুমিৎ নীনি চত্থরকপা ষ্টেট লেভেল ৱার্কসোপ কম হোনি ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা মণিপুর য়াওনা লৌমীশিংগী ইনকম দবল্লিং ওইহন্নবা কন্না হোৎরি। মণিপুরগীওইনদি লৌ লোকখবা মতুং ঈশিংগী খুদোংচাবা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লৌমীশিংগী ইনকম দবল্লিং ওইহনবসি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে।

ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং হায়বসিদা খোই য়োকপসিসু য়াওরিবনি। মরম অদুনা য়ুনির্ভসিটি অসিনা খোই য়োকপদা অচৌবা মীৎয়েং থল্লিবনি। হৌজিক্তি খোই য়োকপসিদা খোইহি নত্তনা খোইদগীসু কান্নবা ফঙলে। য়ুনির্ভসিটি অসিগী কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা খোইহিগী প্রোসেসিং য়ুনিট ২ লৈ। মসিনা পুং অমদা পূন্না খোইহিং কে জি ৭৫০ প্রোসেস তৌবা ঙম্মী। মণিপুরদা পুথোক্লিবা খোইহি অসি অশেংবা খোইহিনি। মসিনা অতোপ্পা লমদগী পুথোক্লিবা খোইহিশিং মহুৎ শিনবদা নত্তনা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা পান্দমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

লৌমীশিংনা খোই য়োকপনা পোথোক হেন্না পুথোকপসু ঙম্মী। খোই য়োকপনা পোল্লিনেসন মপুং ফানা লৈহনদ্রবদি পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদে। মণিপুগী কোন্টেক্সতা লৌ পরি অমগী হঙ্গাম থাবদা খোই উপু ৪ খক থন্বা ঙম্লবদি পোথোক চাদ ১৫ দগী ২০ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। য়ুনির্ভসিটি অসিগী সাইন্টিষ্টশিং লৌমী মীয়াম অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিং পুনশিন্দুনা মণিপুর অসি চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা অমদি লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রিটায়ার্দ আই এ এস, আর কে নিমাই, কোলেজ ওফ ফুদ টেক্নোলোজি, সি এ য়ু গী দিন ৱাই জাকেন্দ্রা, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সি এ য়ু গী দিন প্রোফেসার ইন্দিরা সরাংথেমসু শরুক য়াখি।

# আই এমবু মতম পূম্বা ঙাইদুনা লৈবা ...

*লমায় ১গী মখা...* পান নাগা এনটাইটিগী মতাংদসু মচা খাইনা ফোঙদোকখি হায়রি।

উন্নবা অদুদা পাউচে অসিগী পাউমীনা হংবা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা আর এন রবিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা নেস্নেল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি) গী মরক্তা হৌখিবা চহী ২০১৯ গী ওক্টোবর ৩১ দা হীরম অয়াম্বদা য়ানবা পুরক্তুনা খূৎয়েক পীনবা য়ানা লৈখ্রবনি। অদুবু এন এস সি এন (আই এম) না ৱারোইশিন পুরকপা অসি থিহ্নহন্দুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহী ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনি-খবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা এন এস সি এন (আই এম) না হৌজিক নৌনা পুথোক্লিবা তোঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসনগী ৱাফম অমদি শেয়ার সোভরেন্টিগী ৱাফম অসি য়াওখিদে। অদুবু য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা নাগাশিংগী ওইনা তোপ তোপ্পা পুৱারী অদুবু শকখঙবা হায়বা য়ানখিবনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা নাগাশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমদি পৱার শেয়ারিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নদুনা মতম কুইরবা নাগাগী পোলিটিকেল ওইবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবনি অদুবু মসিদা এন এস সি এন (আই এম) না ফ্রেমৱার্ক অদুদসু য়াওখিদবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনদুনা লৈরে। নাগাগী পোলিটিকেল ইশু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পান নাগা এন্টাইটিগী ৱাফম অসি নাকল অনীগী মরক্তা হান্না য়ানবা পুরক্তুনা লৈখ্রবনি। অদুবু য়ানখিবা অদুদা এন্টাইটি অসি মখাদা শুপ্নগী নাগাশিংগী ওইবা নাৎকী বোদি অমা ওইনা লৈহনবদা য়ানখিবনি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ওক্টোবর ৩১ গী মতুংদগীদি বোদি অসিগী মখাদা পোলিটিকেল অমদি এগজিক্যুটিভকী মথৌ কয়া হাপকন্দবনি হায়না এন এস সি এননা পুখৎলকখিবনি। হায়রিবা ৱাফম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

করিগুম্বা এন এস সি এন (আই এম) না ৱারী শান্নবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা অদুমক য়াদ্দুনা লৈবা তারবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা এন এন পি জিগা য়ান- চেরোল খূৎয়েক পীনবগী ৱাফম লৈব্রা হায়না পাউচে অসিনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা আর এন রবিনা হায়, হৌজিক চহী ২৩ হেন্না চত্থরিবা ৱারী শান্নবা অসিগী হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা য়ানবা কয়ামরুম পুরক্তুনা য়ান্ন খুমাঙ চঁউশিন্না চঙশিল্লক্লবনি। লোয়ননা এন এস সি এন (আই এম) না হান্না তাল্লম্বা দিমান্দশিং অসিগী অয়াম্বা শরুকসু য়ানদুনা লৈরবনি। মসিদা ৱারোইশিন পুরক্লমদায় মতম অসিদা মরৈ অনী লোংবগী মওংদা এন এস সি এননা ৱারোইশিন অসি থিহ্নবা হোৎনদুনা লৈবা অসি য়ান্না লাইবক থিবনি। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সি এন (আই এম) বু মতম পূম্বগী ওইনা ঙাইদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই, মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।